# প্রোগ্রেসিব স্কোরদা শঙ্করনা হেল্লগা নিল্লমনি চেছকী টাইতল লৌখ্রে

CHESS

*ইম্ফাল, মে ১৮ঃ* ৱাই সঙ্কর, এল কোইরেং অমদি আর কে ভোগেননা পোইন্ট ৬ / ৬ ফংনদুনা মান্ননা লৈবদগী প্রোগেসিব স্কোরগী মতুং ইন্না ৱাই সঙ্করনা স্কোর ২৫ ফংলগা ১৯ শুবা ৱাই নিল্লমনি মেমোরিয়েল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৪গী টাইতল লৌখ্রে। কোইরেংনা প্রোগ্রেসিব স্কোর ২৪.৫ অমদি আর কে ভোগেননা প্রোগেসিব স্কোর ২৩.৫ ফংলগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে।

শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্দুনা শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দগী টেবল নম্বর ১ দা ৱাই সঙ্কর অমদি এল কোইরেংনা শান্নখিবা টাইতলগীদমক লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা মখোয় অনীমক্না দ্রো ওইনদুনা পোইন্ট ৬ / ৬ ফংনখি অদুবু প্রোগ্রেসিব স্কোরদা ৱাই সঙ্করনা হেন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইতল লৌবা ঙমখিবনি।

টেবল নম্বর ২ দা আর কে ভোগেন (৬)না এস প্রেমজিৎ (৪.৫) পু মায়থীবা পীরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। টেবল নম্বর ৪ অমদি ৫ তা শান্নখিবা মেটচতা জি ইনাও শর্ম্মা অমদি কে ঐচ ওলেনা মায় পাক্নুনা পোইন্ট ৫.৫ / ৫.৫ ফংনদুনা লৈনবদগী মরিশুবা পোজিসনগীদমক টোসনা লাইবক লেপ্পখিবদা ওলেনা মায় পাক্নুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। জি ইনাও শর্ম্মা (৫.৫)না মহেশ পৱর (৪.৫) পু, কে ঐচ ওলে (৫.৫) না এম রেন্দ্র (৪) বু মায়থীবা পীখিবনি।

টেবল নম্বর ৩ দা ঈ সচিকান্তা (৫) না ও নিংথেম (৪.৫ )পু মায়থীবা পীরগা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। টেবল নম্বর ৬ তা এন লোকেন (৫) না আর কে লেনিন (৪)বু মায়থীবা পীরগা তরেৎশুবা তাখি। টেবল নম্বর ৭ দা পি ঐচ পোইরৈঙানবা (৫) না এল অবুঙো (৪)বু, পি ঐচ সূর্জকান্তা (৪.৫) না এন তোলপিশক (৩.৫)পু, এল য়েমেন (৪.৫) না টি ঐচ বিজয় (৩.৫)পু, এ সরত (৪.৫) না এম সনাতোম্বা (৩.৫)পু, এস হেরোজিৎ (৪.৫) না এল শ্যামকিশ্বর (৩)বু, টি ঐচ জুগেশ্বর (৪) না ওরিসন ৱাইখোম (৩) বু মায়থীবা পীখি।

সি ঐচ সুনিল (৪)না ঐচ নরেশ (৩)বু, এস বাবুলানন্দা (৪) না এম দোলেন্দ্রো (৩)বু, এল তুলকিশ্বর (৩.৫) না এন রাজেশ্বর (২.৫) পু, এস বোইনাও (৩.৫) না দব্লিউ সুরজ (২)বু, রোসনিকুমার (৩) না এম নিখিল (২) বু, এস রোবিন্দ্রো (৩) না টি সোমরেন্দ্রো (২) বু, অমদি কে ঐচ মেরাজাও ২.৫ না এ মিনাকিশ্বর (১.৫) পু মায়থীবা পীখি।

সেনিয়র অমদি জুনিয়রগী বেষ্ট প্লেয়রনা টি ঐচ জুগেশ্বর অমসুং এল তুলকিশ্বরনা তাখি। বেষ্ট দিসিপ্লিনগী মনানা এল অবুঙোনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা এম য়ুগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর স্পোর্টস কে এস ঐচ জুগেশ্বর, শিংজমৈ চেছ ক্লবকী ও নারায়ন, ক্লব অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস উমানন্দা অমদি ক্লব অসিগী এদভাইজর ঐচ জুগিন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।


মকোক মথং অমদি অহুমশুবা তাখ্রবা শান্নরোইশিং

# সাইক্লোননা ব্রজবিহারি অমদি গোবিন পোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, মে ১৮ঃ* সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীরগা ব্রজবিহারি অমদি গোবিন পোল মেমোরিয়েল ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চেম্প খাগেমপল্লিনা শিন্দুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ওভর ৩০ ওইবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সাইক্লোননা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৭.৫ তা ওল আউট ওইরগা সুপ্নতগী রন ৪৬ খক লৌখি। ইনিংস অদুদা সচিকান্তনা বোল ১৩ দা রন ১৬ অমদি কেনেদিনা বোল ১৪ দা রন ১২ লৌখি। সাইক্লোনগী বোল্লর হোমেন্দ্রো অমদি অক্সেকুমারনা ৱিকেট ৪ / ৪ অমসুং সচিকুমারনা ৱিকেট ২ লৌখি।

য়াম্না নেম্বা তার্গেট রন ৪৭ পাউখুম পীননবা সাইক্লোননা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৪.১ দা ৱিকেট ২ খক তুরগা টার্গেট রন অদু লৌদুনা ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায় পাক্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি। ইনিংস অদুদা নরসিংহনা বোল ৩৫ দা নোট আউট ওইরগা রন ২৮ লৌদুনা টিম অসিবু মায় পাকপহনবা অচৌবা থৌদাং লৌখি। সাইক্লোনগী ৱিকেট অনী অদু চেম্পকী বোল্লর ইন্দ্রবান অমদি ৱিল্লিয়মনা অমমম লৌখিবনি। মেন ওফ দি টুর্নামেন্টনা ট্রাউগী কে প্রিয়োজিৎনা, মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচ অমদি বেষ্ট বোল্লরনা সাইক্লোনগী কে হোমেন্দ্রোনা, ফাইনেল মেটচকী খ্বাইদগী ফবা বেটচমেননা সাইক্লোনগী নরসিংহনা তাখি।

ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ ওইখ্রবা সাইক্লোন অমসুং চেম্পকী টিমনা মথংশিংনা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং ৩০ গী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসি হৌখিবা চহী ২০১৩ গী মেগী তাং ২ দগী হৌদুনা চথরকখিবনি।



ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী টিমনা ট্রোফি অমদি কেস প্রাইজ লৌখিবা

# মণিপুর পঞ্জাবকী মখুৎতা ৭–১ দা মায়থীখ্রে

HOCKEY

*ইম্ফাল, মে ১৮ঃ* ঝারখন্দগী রাঞ্চিদা চথরিবা ৪ শুবা হোক্কা ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪গী গ্রুপ (সি)গী মণিপুরগী অহানবা মেটচতা হোক্কী পঞ্জাবকী মখুৎতা গোল ৭–১ দা মায়থীখ্রে।

দিভিজন (এ)গী ওইনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৬ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়ারি। মণিপুর অমদি পঞ্জাবনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরনা গোল ১–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎলন্নবসু পঞ্জাবনা য়াম্না হেন্না কন্না শান্নরকপদগী শোখনা লৈরিবা গোল ১ অদুগী মথক্তা অনৌবা গোল ৬ অমগা চনশিন্দুনা ৭–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (এ)দা হোক্কী ওদিষা, হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদু, ছটিশগড় হোক্কী, হোক্কী কেরালা লৈমিন্নরি। গ্রুপ (বি)দা হোক্কী ঝারখন্দ, হোক্কী কর্নাতাকা, হোক্কী ভোপাল, হোক্কী অন্ধ্র প্রদেশ লৈরি।

গ্রুপ (সি)দা হোক্কী পঞ্জাব, হোক্কী মহারাষ্ট্র, মণিপুর হোক্কী অমদি উত্তর প্রদেশ হোক্কী লৈরিবনি। গ্রুপ (দি) দনা মধ্যপ্রদেশ হোক্কী একাদেমি, চান্দিগড় ওলেম্পিক এসোসিয়েসন, হোক্কী হরিয়ানা অমদি হোক্কী মীজোরাম লৈমিন্নরি।

# ৩ শুবা সাইপো কপকী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা সাইপো (এ) চাওনা মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৮ঃ* সোসিয়েল এমিটি, ইন্টিগ্রিটি এণ্ড প্রোস্পরিটি ওর্গনাইজেসন (সাইপো) কৈবী কৈকমপালনা শিন্দুনা ঙসিদগী ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা অহুমশুবা সাইপো কপ সবেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ টিম ২০ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা সাইপো (এ) হৈককমপালনা এফ য়ু সি উয়ুম্পোকপু গোল ৮–০ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

গ্রুপ (এ)গী ওইনা সাইপো (এ) হৈকক মপাল অমদি এফ য়ু সি উয়ুম্পোক্না শান্নখিবা মেটচ অদু নাকল নামতগী মেটচ ওইখিবগা লোয়ননা সাইপোনা গোল্ড ৮–০ দা চাওনা মায় পাক্নুনা টিম অসিগী মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌখ্রে। সাইপোগী গোলশিং অদু ও রোমসননা ৩০, ৩৭, ৪৪ অমদি ৪৯ শুবা মিনিটতা ৪, ও রিট্টু, ও সরৈ, ও বোচা অমদি ও অঙৌসনানা মথংশিংনা ১, ২২, ৫৪ অমদি ৫৯ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ ডাঃ আই ইবোহনবী সিংহ, স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর সিংহ, নিভসোগী প্রসিদেন্ট এম সরত সিংহ, হান্নগী মিনিষ্টর এল রাধাকিশ্বর অমদি ওল মণিপুর কেনোয়িং এণ্ড কয়াকিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬.৫ দা গ্রুপ (এ)গী সবেন ষ্টার ব্রাদর্স সিনাম কোমগা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌগা, পুং ৭.৪৫ দা গ্রুপ (বি)গী এম আর সি লম্বোইখুলগা ই য়ু এস সি টেল্লৌগা, নুংথিলগী পুং ২ দা গ্রুপ (সি)গী ৱাই এল ৱাই সি নোংসুমগা এস এস সি সেক্তাগা অমদি পুং ৩.১৫ দা গ্রুপ (বি)গী রোবিন জ্বেলরি পুংদোম্বমগা এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌগা শান্নগনি।



সাইপো (এ) হৈককমপাল অমদি এফ য়ু সি উয়ুম্পোক্না শান্নখিবা অহানবা মেটচকী মতাং অমা













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*